# জিরিবামবু দিষ্ট্রিক্ট ওইহল্লু হায়বা দাবীদা লূপ খরনা য়েৎশিল্লকপসি অঙকপা ফাওইঃ জেদিদিসি

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, নভেম্বার ২* ঃ মতম কয়াগী মমাঙদগী অয়েৎপা অমগা লোয়ননা জিরিবামবু মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহল্লু হায়না তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ অসিবু হন্দক লূপ খরনা গ্রাউন্দ রিয়েলিটি ইখঙ খঙদনা য়েৎশিল্লক্লিবা অসি জেদিসিনা অঙকপা ফাওই অমদি অরোনবা এজেনদা ওইরগ্লোই হায়না জেদিদিসিনা লৌদবা ঙমদে।

জিরিবাম মতম কয়াগী মমাঙদগী রেভিন্যু সব–দিভিজন অমা ওইনা ইম্ফল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈরক্লি। মসিদা কনাগুম্বা ত্রাইবেল নৎত্রগা অতোপ্পা কাঙলূপ অমত্তগী তোঙান–তোঙানবা লম লৈতে। জিরিবামদা খুন্দারিবা ত্রাইবেল খুদিংমক ইম্ফল অমদি অতৈ তম্পাক্কী লমদা এমএলআর এক্টকী মতুংইন্না মশা–মশাগী লমগী ডোকুমেন্টশিং পায়দুনা খুন্দবগুম লৈবা ঙাক্তনি। মসিদা য়ুএনসি, দেমোক্রেটিক এলাইন্স ওফ তমেংলোং ওটোনোমসন কাউন্সিল ১দি এনএসসিএন(আইএম)নচিংবা লূপ খরনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং মরী লৈনদবা–চানদবা ঙাক্তনি। মসিনা ইশু অসিবূ চয়েৎনবা মালহন্দুন নাথৈনবা হোৎনবা অমদি জিরিদা নুংশি চান্নরা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপশিং খায়বুঙ–খায়বুঙ তাহন্নবা অমদি অকায়বা থোক্নবা শিল্লোইদবনি। করিগুম্বা পূখৎলক্লিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি তম্পাক্তা নৌনা খুন্দাশল্লিবা ত্রাইবেলশিং অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লোইদৌরিব্রা অমদি সরকারগা এমওয়ু ইন্নখিবা অদুসু হায়রিবা মফমশিং অসিদা চৎনগদৌরিবা হায়না হংলি।

জিরিবামবু রেভেন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইনা শেম্বদা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টকী লম লৌশিনবগী ৱাফম লৈতে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা জিরিবামগী ভিলেজ অনী, অদুগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা ভিলেজ ১০ লৌশিনখিবনি হায়বসি ইখঙ খঙনরিবা ঙাক্তনি।

মরম ইচা চাদনা ওপোজ তৌরক্লিবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা সরকারনা লুন্না লৌদুনা মতিং থোক্না থবক পায়খৎপা ঙমদ্রিবসি জিরি মীয়াম অমদি জেদিদিসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌই।

জেদিদিসিগী কনভেনর ব্লিয়ূ দিনেস মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি সরকারনা মতম খরগী মনুংসিদা জিরি মীয়াম্না থেংরিবা অৱাবা কয়া খঙবীদুনা ইতিহাসতা মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগদ্রবা ইশু অসিগী ৱারোইশিন শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

মরম চারবা দাবী অসিবু মখা তানা নমশিন্দুনা থল্লিবা মখৈ হনবা লৈতনা অকনবা খোঙজং কয়া চথ–রক্কনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# কুট ফেষ্টিভেল ২০১৬কী তোঙান-তোঙানবা শক্তম



সদর হিলস কুট কম্মিটিনা শীন্দুনা কাঙপোকপীগী থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিস কুট ২০১৬ কনটেষ্টতা মিস কুট টাইটল অমদি ফাষ্ট রন্নর্স অপ অমসুং সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখ্রবী শকহেনবীশিং



*মিজোরাম চীফ মিনিষ্টর লালথনহাওলাননা কুট ২০১৬ য়াওবা লাকপদা কুকি চিন মিজো কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎতুনা হরাউনা ওক্লগী পুশিল্লকখিবা*



*মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এমপিসিসি)গী প্রসিদেন্ট টিএন হাওকিপ এমএলএবু কুট ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী হরাউনা ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলপোৎ পীনবা থৌরাংবা*

# ভৈনৈহট হাওকিপনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মিস কুট ২০১৬কী লুহুপ উপখ্রে



*এস এন এস*

*চান্দেল, নভেম্বর ২* ঃ কুট ফোর য়ুনিটি হায়বা ঠিমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কুকী–চীন –মিজো কম্ম্যুনিটিনা ঙরাং খোপিমুন ভিলেজগী ষ্টেন্দর্দ ইংলিস হায়স্কুল কেম্পস্তা পাঙথোকখিবা পোষ্ট হর্বেষ্ট ফেষ্টিভেল কুট ২০১৬কী নুমিদাংৱাই সেসনদা ভৈনৈহট হাওকিপনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মিস কুট ২০১৬কী লুহুপ উপখ্রে। অদুগা ওলিভিয়া মনৈলুন জেৌনা মিস কুট কন্টেষ্ট অসিগী ফাষ্ট রন্নর্স অপ অদুগা মের্সি লৈনৈলম খোঙশাইনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখ্রে।

খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অদুগী অহানবা সেসনদা এদিসি চান্দেলগী চিয়ারমেন লুখোশৈ জৌ, ভাইস চিয়ারমেন টিঐচ জয় লমকাং অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর লেটপাউ হাওকিপনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, ইকায়–খুম্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইখি। এদিসি মেম্বর এস তোংপাউ মাতে, গোটিনলম গাংতে অমসুং চিনৈভা হাওকিপনা কুট হোর্স, অদুগা এদিসি চান্দেলগী একজিক্যুটিভ মেম্বর (ৱার্ক্স) সিঐচ মেসিল রঞ্জিৎ অমসুং একজিক্যুটিভ মেম্বর (এডুকেসন এন্দ পি ঐচ ই) ঙমখোলাল বাইতেনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

কুম্মৈ অদু হৌনবী মতুংইন্না পি হৌদেম গুইতেনা কুট পা ওইনা নাৎকী ওইবা মওংদা লাইনিং–লাইশোনগা লোয়ননা হৌদোকখি। অমদি নোংথক্তা নোংমৈ কয়াসু কাপখি।

অনাল, কোম, ৱাইফৈ, থাদৌ, জৌ য়াওনা তোঙান–তোঙানবা কম্ম্যুনিটিগী মচু কয়ানা লৈতেংলবা জগোয়–ঈশৈ উৎপনা হৌদোকপা অদুগী মপুং ওইখি। অসিদসু নত্তনা থোইদোক হেন্দাক্লা মগুন লৈবা মশক খঙলবা কুকী অর্টিষ্টশিংনা গোস্পেল ঈশৈ য়াওনা মতমগী ঈশৈ কয়া শক্তুনা য়ান্নবা ভাবোকপু শুমহৎখি।

কুম্মৈ অদুগী নুংথীলগী সেসনদা শুগুনু কেন্দ্রগী এমএলএ কাঙুজম রঞ্জিৎ সিংহ, দিপ্যুটি কম্মিস্নার চূরচান্দপুর লুনমিন্থাং হাওকিপ, এডিসি চান্দেলগী মেম্বর জেএন বাইতে অমসুং এডিস্নেল দিপ্যুটি কমিস্নার লালরমসাং ফিমাতেনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায়খুম্না মীথুং ওইখি।

এডিসি চান্দেলগী একজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ঙমখোলাল বাইতে, সৈথাং হাওকিপ অমসুং চন্থোই আইমোলনা হোস ওইনা অদুগা সাইগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ইবোমচা সিংহ, স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্টর হাউমিনলিয়ন জৌ অমদি কেঐচ বাইতেসু অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

সেসন অদুগী মপুং ওইবদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মিস কুট ২০১৬ কন্টেষ্টনা ওইখি। কনটেষ্ট অদুদা ভৈনৈহট হাওকিপনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মিস কুট, ওলিভিয়া মাননৈলুন জৌনা অহানবা রন্নর্স অপ অদুগা মের্সি লৈনৈলম খোঙসাইনা অনীশুবা রন্নর্স তাখি। দিষ্ট্রিক্ট মিসকুট ক্রাউ উপখিবী ভৈনৈহট হাওকিপনা মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অদুগা অহানবা রন্নর্স অপ অমসুং অনীশুবা রন্নর্স অপতা মথংশিংনা লুপা লিশিং ৩০, অমসুং লিশিং ২০ মনা ওইনা পীখি।

কন্টেষ্ট অদুগী তোঙান–তোঙানবা সব–টাইটলগী মিস পার্সোনেলিটিদা ক্রুসে টিংনৈহোই দৌঙেল, মিস ফোটোজেনিকনা গ্রেসি নেংনৈচোং বাইতে, মিস ব্যুটিফুল হিয়ারনা ইসটর ফঙৈসাই তৌথাং, বেষ্ট দিজ ইন্নরদা বুইনু নেংনৈহোই হাওকিপ অদুগা মিস কোঞ্জেনেলিটিনা লেংমেসি হাওকিপনা তাখ্রে।

মখোয় পুম্নমক্তা মনা ওইনা লুপা লিশিং ১০ / ১০সু পীখি।

# স্কোলারসিপকীদমক মাইনোরিটি মহৈরোই ৯,৮২৭তমক এপ্লাই তৌরক্লে

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, নভেম্বার ২* ঃ ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফিয়ার্সনা চৎলিবা একাডেমি সেসন ২০১৬–১৭গী মণিপুর ষ্টেটকী মাইনোরিটি মহৈরোই ১৭,১৭৮দা স্কোলরসিপ পীনবা এলোকেসন তৌরকপগী মনুংদা শুপ্নতগী মহৈরোই ৯৮২৭তমক এপ্লাই তৌরক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, চৎলিবা একাডেমিক সেসন অসিগীদমক ফ্রেস কেন্দিদেট ১৭,১৭৮দা স্কোলরসিপ অসি পীনবা এলোকেসন তৌরকখিবনি। মসিগী মনুংদা প্রি মেট্রিক্টকী ওইনা ১৪,৪৭৬ অদুগা পোষ্ট মেট্রিক্টকীনা ২৪১২ অমসুং এমসিএমগীনা ২৯০নি। মিনিষ্ট্রিনা এলোকেসন তৌরকখিবা অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট সরকারগী এম এন্দ ওবিসি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী নোটিফিকেসন থোক্তুনা ওন–লাইনদা এপ্লিকেসন তৌখবনি। অদুবু হৌখিব।––া ওক্টোবর ২৮ ফাওবদা অপুনবা মশীংগী চাদা ৫০ রোম হায়বদি মহৈরোই ৯৮২৭ খক্তমক এপ্লাই তৌরকখিবনি। মসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (এমওবিসি) এমঐচ খাননা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফিয়ার্সতা অই ব া চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

চেরোল অদুদা পনখিবদি মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটিগী মহৈরোইশিংনা ওন–লাইন এপ্লাই তৌবদা মখোয়–মচে–খায়না তম্লিবা স্কুলদা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা ৱাৎপা অমদি অরাপ্পা মফমদা লৈনি–খবদগীনি। লোয়ননা অধার নম্বর তঙাই ফদনা চঙবনা মরম ওইরগা মশীং য়ামদনা এপ্লাই তৌরকখিবনি হায়বসিনি।

স্কোলরসিফ অসিগীদমক ওন–লাই তৌবগী অরোইবসি সেপ্তেম্বর ৩০ দা ওইখিবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অধার কার্ড অমসুং নম্বর ফঙখিদবনসু মরম অমা ওইখি।

মরম অদুনা কেটাগোরি অহুমক্তা মাইনোরিটি কম্ম্যূনিটিগী মহৈরোইশিংনা স্কোলরসিপ অসিগীদমক এপ্লাই তৌবগী মতম চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা শাঙদোকপা য়াহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা হায়জখি।

মতম খরা শাঙদোক্লবদি স্কিম অসিগী কান্নবা মহৈরোইশিংনা ফঙবা ঙমগনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# মালোম মীহাৎকী খুভমদা শর্মিলা য়াওনা ইমুং মনুংনা লৈ–শু ...

মীয়ামগী শক্তি শিজিন্নদুনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈবা লমদম ওইনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদুগা মরি লৈননা ইরোম চনু শর্মিলানা ফোংদোকখ্রে।

তমথিরবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা নুমিৎ ৪নিগী মতুং নভেম্বর ৬তগী ইরোম চনু শর্মিলানা মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়দুনা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখিবনি। চহি ১৬ মপুং ফারকপা ঙসি শর্মিলানা অহানবা ওইনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা শরুক য়াখিবনি।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং১ তাবা মতমদগী হৌদুনা মালোমদা লৈবা নিংশিং খুভমদা ধর্ম্মগী ওইবা লাইশোন–তিনশোনগা লোয়ননা শর্মিলা অমদি লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৈ–শু কৎখি। থৌরমদুগা মরি লৈননা ইরোম চনু শর্মিলানা ফোংদোকখিবদা, তমথিরবা থৌদোক অদগী মতুং লমদমসিদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়দুনা চহি ১৬ রোমগী শাংলবা মতম অমা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখি। মদুদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তাবিখিদে অমদি মীয়ামদগী লাপ্পসু থম্বীখি। চহি ১৬কী মতুংদা ঙসি মফমসিদা অহানবা ওইনা লৈ–শু কৎপা ফংজবা অসি লাইবক ফবনি অমদি মসিনা ঐহাক্কী খোঙজং হোংবগী য়ুফম থোনবা অদু ওইহন্নিংই হায়খি।

মহাক্না হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমবু মিলিটরিগী লৈঙাক ওইহল্লিবা লমদমসিদা চলাইরিবা তমথিরবা আইন অফস্পা লৌথোকউ হায়দুনা শাংলবা মতম অমা খোঙজং চংশিনখ্রবসু তাবিখিদ্রবনি খোঙজংগী মওং হোংদোক্তুনা মাখাতনা খোঙজং চংশিনি–খগনি। তমথিরবা আইন অসিগী হৌরকফম ওইরিবা পোলিটিক্সতা অহোংবা অমা পুরক্কবা পোলিটিকেল ৱিল শাগত্তুনা মীয়ামগী শক্তিনা দেমোক্রেসিগী চপ–চাবা ৱাহন্থোক লৈবা লমদম অমা পুরক্কবা হোৎনবা মথৌ তারি।

লমদমসিদা ঙসিফাওবা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদি লুপা ক্রোর ক্রোর থাদদুনা মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখলবু থমাইদুনা ফাজিল পুনশিল্লগা থম্বনি। অসিগুম্বা মওংগী রাজনিটি অসিদগী অহোংবা পুরকপা মথৌ তারি। নুংশিনবা, ইংতপ্পা, থাজনবা অমদি জটিষ্ট হায়বসিদা য়ুমফম ওইবা অনৌ পার্টি অমা হন্দক্তা শেম্লে। রাজনিটিগী অহোংবা অমা পুরক্নবা চংশিল্লকপা খোঙথাংশিংদা মীয়ামগী মিনুংশি পিবিবা চংই হায়না মহাক্না মখাতাখি।

# কা ৫ মৈনা তুম্না চাকখ্রে, ফায়ার টেন্দর ...

অদুবু ফঙলবা মতুং ফায়ার সার্ভিসকী টেন্দর ২ মফম অদুদা মৈ কন্নবগীদমক লাকখি। মৈ কনবা লাকখিবা ফায়ার টেন্দরগী গারীশিং অদু ঈশিং অমত্তা য়াওরমখিদে অমদি ঈশিং চিংখৎনবা ইঞ্জিন্নচিংবসু য়াওরমদবদগী খোয়শাওনরবা লৌইগী মীয়াম্না ফায়ার সার্ভিসকী গারী অমা থুগায়দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। মমৈদা নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা ঈশিং য়াওবা গারী মফম অদুদা থুংলবা মতমদদি কা ৬ অদ মৈনা তুম্না চাকপা লোইরে হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা পুন্না লুপা লাক্ষ ৪০ রোমগী মাল–চাং মাঙ তাকখ্রে হায়রি।

# হৈবোক মহাদেবগী রেষ্ট হাউস ...

থৌরম অদুদা হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এসঐচ শিল্লাসনা দেবী, হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হিদম মঙলেম্বা অমদি হিয়াংথাং হৈবোক মহাদেব দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লোইতোংবম ইবোমচাসু দাইজগী মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চৎনবীগী মতুং ইন্না হৈবোক মহাদেবগী খুভমদা থৌনিবা অমদি লাইগী ওইবা থবক থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

# নভেম্বর ৪ ফাওবদা মরাল লৈবা ...

খঙহনখিবা অদুগী মখা তানা ঙসিদগী দেসামগী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী খোঙজং অসি চঙশিনবা হৌখিবনি। থা অসিগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ফুবদা চেন্নরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং মণিপুর সরকারনা চপ চাবা দন্দি পীদ্রবদি মথং নোংঙানবা নভেম্বর ৫ দগী থৌমীশিংনা হেন্না কনবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং সরকার অসিগী মথক্তা চঙশিনবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।